**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরী লোল ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চল্লক্তবদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

২) উখ্রুলদা উংখৎনবগী থৌদোক অদু মখা তানা থোকহন্দনবা অমদি মফম অদ্দা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরি।

৩) মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ হুমনিরোমদগী নোং লেপ্তুনা চুবদগী ককচিং জিলাগী ৱাবগাইদা তুরেল পাথোরাক্তুনা লৌ পরি কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, মেট দিপার্টমেন্টনা ঙসিসু অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

৪) ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা সরকারগী লম খোপচিল্লিবশিংনা থা অসিগী ৬ ফাওবদা মশা মশানা মফমদু থাদোকবা এস.দি.ও ইম্ফাল ৱেষ্টনা খঙহল্লক্লি।

অমসুং

৫) হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী হয়েং ভোট থাদনবা মপুং ফানা শেম শারে।

------

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুরী লোল ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চল্লক্তবদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি. রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা হায়- মণিপুরী লোল অসি ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চনবগী মচাক শুনা লৈ। লোল অসিগী মশাগী ওইবা ময়েক অমসুং ইনাক খুল্লবা পুৰারী লৈজৈ। মণিপুরী লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চলক্তবগী চপ চাবা মরম মরী লৈনবশিংনা শেংদোকহন্নিংই।

শ্রী ইবোবীনা হায়- হন্দক উখ্রুল জিলাদা খ্ল অনিগী মরক্তা মুকবা থোকপদগী মীশি মীনা থোকখ্রবা তুংদা উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া পুখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বারি অমা তৌগদবনি।

সনাজাউবা (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা ধর্ম্ম অমদি কাংলুপ ফরুপ খায়দনা অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমদি অফবা লম্বীদা পুকিং থৌগৎনদুনা পুন্না হোৎনমিন্নরবদি মণিপুর অসি লৈবাক অসিগীতা নত্তনা মালেমগী ওইনা মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ভহুজন সাহিত্য একাদমি মণিপুর ষ্টেট, সেলিন দিজিটেল ভেইল ফাউন্দেসন বেঙ্গলুরু, গ্যান রতা সাহিত্য একাদমি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্দ লান্থোকপা অমসুং তরামা ওকপগী থৌরমদা শ্রী সনাজাউবনা হায়- রাজ্য অসিদা অমনা অমবু মতেং পাংনরি, অফবা লম্বী অমদি থবক থৌরমশিংদা পুকিং থৌগৎনরি। অদুবু মসি খরা খজিক নেমা লৈবগুম তৌরিবা অসি হেন্না মপুং ফানা তেংবাংনদুনা থবক তৌমিন্নরবসি লমদম অসি চাওখৎপা খুনাই অমা ওইবাা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লমদা শকাইরবা এৱার্দশিং খুৎশিন্নবগা লোয়ননা তরামা ওক্কুনা পুকিং থৌগৎখি।

নাগা (এল)ঃ  উখ্রুলদা খুল অনিগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অদু মখা তানা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমদি মফম অদুদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা খুল অনি অসিগী খুঞ্জাশিং য়াওনা মফম অদুগী মীয়ামদা আপীল তৌরি। মফম অসিদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নশি, ঐখোয় অমত্তনি হায়নসু য়ুনিয়ন অসিনা ফোংদোক্লি।

থা অসিগী অনিদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অমদি অশোক অপন নংখ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু য়ুনিয়ন অসিনা শরুক য়ারি। থৌদোক্তুদা অশোক অপন নংখ্রবশিংসু অথুবদা ফগৎলকপা ওইসনু হায়রি।

আইদিপি (এল)ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিং অসি মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনদুনা লৈহনগনি হায়বগী থাজবা পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না তোরবুং পঞ্চায়ট ভিক্তিমস কমিতিনা হায়রি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কমিতি অসিগী কো-কনভেনর মোইরাংথেম রোজরনা হায়- খোঙজং অসিগী অহানবা খোঙথাং ওইনা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংনা চয়োল অমা চুপা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনগনি। মসিদা তাবীদ্রবদি মফম অদুদা অকনবা খোঙজং চথগনি। মহাকা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী পুন্সি মহিংদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকদুনা লৈরি। সরকারগী মাইকৈদগী পীগনি হায়বা খুদোংচাবশিং ইমুং খরদা ফংলবসু অয়াম্বা ইমুংশিংদা মপুং ফানা ফংদনা লৈরি। মসিনা অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বা য়াওনা ইমুং মনুংগী অনা অয়েক য়াওরকপদা খম থেংনা অৱাবা মায়োকরি। মরম অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী অৱাবা অসি উবীদুনা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না প্রধান মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিল্লি।

এসটি (এল)ঃ মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক কেন্দ্রদা রিকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়না কোওর্দিনেতিং বোদি সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতিনা মণিপুর সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কমিতি অসিগী কনভেনর ৱাইখোম আনন্দনা হায়- মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রিকমেন্দেসন থানবা তকদুনা লাক্লিবা অসি চহি ১০ মপুং ফাজিল্লক্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতিনা শিন্দুনা থা অসিগী ৬ তা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকবা শেম শারি। মসিদা রাজ্য অসিগী মায়াম অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মীহুৎশিংনসু শরুক য়াবীয়ু অমদি মীতৈ-মৈতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবগীদমক মরুওইবা ৱাফম অমদি মোৎ ফোংদোকপীয়ু।

নোংঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ হুমনিরোমদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

ককচিং জিলা ফাওদুনা চেল্লিবা সেকমাই তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেনদুনা ৱাবগাই বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাই বেদাম খোং মমাংদা তুরেল পাথোরকপদগী লৌ পরি ২০০ হেন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া পাথোকখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়- ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা লৌফমশিং অদুদি- ৱাবগাই তেরা উরক, ৱাবগাই মরাইরেনবমগী সনা লৌ, তোলোংশোই অমদি কৈরক অৱাং লৌকোলনি। ঈশিং পাথরক্লিবা তোর্বানগী মফমশিংদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ, এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতি ৱাবগাই জিলা পরিষদকী মেম্বর অমদি ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন য়াওনা মীয়ামা থিংননবা হোৎনরি।

নোং অসিনা চিংগী জিলাশিংদসু চৎথোক চৎশিনদা অপনবা কয়া থোক্লি।

মরকসি অসিদা, ইন্দিয়ান মেট দিপার্টমেন্টনা ঙসিসু অৱাং নোংপোক অমসুং খা ভারত্তা য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়রি। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- মনিপুর, অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেস, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সব-হিমালয়ন লমদম অমসুং সিক্কিমদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মথং নুমিৎ নিনিদসু নোং কন্না চুগনি হায়রি। খা ভারতকী কেরলা, তামিল নাদু, করনাতক্কী খা থংবা শরুক্কী মনুং হুনজিনবা শরুক, রায়লশিমা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী গঙ্গা তম্পাক্তসু অকনবা নোং চুগনি।

লম (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা সরকারগী লম খোপচিল্লিবশিংনা থা অসিগী ৬ কী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা মশা মশানা মফমদু থাদোকখিনবা এস.দি.ও ইম্ফাল ৱেষ্টনা খণ্ডহনখ্রে। মদু নত্তবদি পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা তকথোক্লগনি হায়রি। মণিপুর সরকার ডাইরেক্তর হেলথ সার্ভিসেসকা মীওই ১৯ গা থেংনখিবা কেস অমদা এস.দি.ও ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওর্দর অসি থোকখিবনি। পনবা য়াবদি, হিরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার টি.ঐচ. কিরনকুমারনা মমাং থাগী ২৫ দা ওর্দর অমা থোক্তুনা খণ্ডহনবা লৈখ্রবনি ।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজদা এন.সি.সি হেদক্বাটরগী গ্রুপ কম্মান্দর বৃগেদিয়র- এস.আর. শর্ম্মা, এস.এম, ভি.এস.এমনা ঙসি কলেজ অদুগী নুপী এন.সি.সি কেদেটশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা বৃগেদিয়ার এস.আর. শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিগী অপুনবা অমসুং জাতি শেমগৎ শাগৎপদা লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা নহাশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মসিগী মথক্তা এন.সি.সি কেদেটশিংনা লৌগদবা থৌদাং অমদি এন.সি.সিগী মোটো- য়ুনিতি এন্দ দিসিপ্লিনগী মতাংদসু মহাকা মখা তানা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ঐচ. মনোরঞ্জন শর্ম্মা অমসুং মীওই কয়া শরুক য়াখি।

দিব্রার্মিং (এল)ঃ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকবগুম থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা নেসনেল দিব্রার্মিং ডেগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী তিল হিদাক পীজবা ঙসিদগী হৌখ্রে। চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হিদাক অসি পীজবা হৌখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- অঙাংশিংদা নাগনবা তিলগী লায়না অসি কোকপা ঙমবা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হিদাক অসি চাবদা অকিবা ফাওবীগনু, মসি অঙাংশিংগী মশাদা তিলনচিংবা লৈরম্বা থোক্লবদি মদুবু ফহন্নবা অমদি অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থম্বা ঙমবনি । থৌরম অদুদা হিরম অসি খঙ হৈরবা মীওই অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি আশাশিং শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাদা মফমদুগী ৱার মেমোরিয়েলদা লৈখ্রিদবা লান্মী বিরেন্দ্র সিংহগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমখ্রে। মহাক ২০২০ গী ওক্তোবর ৪ দা অরুনাচল প্রদেশতা লালহৌবশিংগী খ্ৎ থোকবদা লৈখিদবনি।

স্বাচতা (এল) স্বাচতা হি সেবা ২০২৪ গা মরী লৈননা বিরমঙ্গোল কলেজ শওম্বুং অমসুং প্রাইমারি হেলথ সেন্তর শওম্বুং অনিনা শিন্দুনা ঙসি বিরমঙ্গোল কলেজতা এক পের মা কে নাম কেম্পেন মখাদা উ চারা কয়ামরুম থাখি অমদি স্বাচতাগী ৱাশক লৌখি। তুংদা স্বাচতা রেল্লি পাঙথোকখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ ৱাই.ও.এস.সি ক্লব ইম্ফাল ইষ্টতা ঙসি দেঙ্গি লায়না লেমা স্ক্রিনিং টেষ্ট তৌখ্রে। মদু সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্তিগ্রেতেদ দিজিজ সার্ভিলেন্স প্রোগ্রাম য়ুনিটকী মখাদা পাঙথোকপনি।

একাদমি (এল)ঃ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন্না

শিন্দুনা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যাদা নুমিৎ হুমি চুপনা রাস লিলা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২২৬ শুবা লৈখিদবগী থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৬ তগী ৯ ফাওবা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

অসাম (এল)ঃ অসামগী হোজাইদা লৈবা রবিন্দ্রনাথ টেগোর য়ুনিভর্সিতিগী বি.এ. মণিপুরী কোর্সতা মণিপুরী ফিলম হায়বা সবজেক্ট অমা হাপ্লগনি হায়রি। ফিলম সোসাইতি ওফ মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- হায়রিবা সবজেক্ট অসি য়ুনিত অহুম থোকা তমগনি।

ইলেক্সন ঃ হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোয়রে। সদস্য ৯০ লৈবা বিধান সভা অসিগী মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,০৩১ না লম্বা থেংনরি। মদুগী মনুংদা নুপা মীরেপ ৯৩০ অমসুং নুপী মীরেপ ১০১ য়াওরি।

হরিয়ানাগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-পঙ্কজ অগরৱালনা হায়- মীরেপশিং অসিগী মনুংদা ৪৬৪ দি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপনি। রাজ্য অসিগী ওহনা ভোটর কোতি অনি লাখ ৩ লিশিং ৫৪ খরা হেন্না লৈ। মীখল অসি নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমবা পোল্লিং বুথ লিশিং ২০,৬৩২ হাংদোক্কনি।

নিরমালা ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ফিস্কাল দিসিপ্লিনগী মতাংদা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ অদু অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে। নিউ দিল্লিদা ঙসি কৌতিলিয়া ইকোনোমিক কনক্লেভ ২০২৪ দা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- শেনবা চহি ২০২৪ দা শেল পুখ্রবগী চাং চাদা ৫.৬ ওইরিবা অদু ২০২৫ দা চাদা ৪.৯ দা হন্থরক্কনি হায়না পারি।

শেল থুম মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা চাউখৎ খোঙথাং পায়খৎলিবশিং অসিদা খ্বাইদগী য়ামা শরুক য়াগদৌরিবা অমসুং কান্নবা ফংগদৌরিবশিং অসি লাইরবা, নুপী, নহা অমসুং লৌমীশিংনি। মহাকা

হায়- ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারতনা ভারতমচাশিংদতা নত্তনা মালেমগী অতৈ মফমদসু নুংঙাই য়াইফবা পুরক্কনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- স্পিরিচুয়েলিতিগী খুখাংদা মী অমগী লনাই পুন্সিগী খক্তা নত্তনা খুনাই অমসুং মালেম অসিগী ৱাফম কয়ামরুমগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্মী। রাষ্ট্রপতিনা ঙসি রাজস্থানগী অবু রোডতা ব্রহ্মকুমারী সংস্থাননা শিনবা স্পিরিচুয়েলিতি ফোর এ ক্লিন এন্দ হেলদি সোসাইতি হায়বা মালেমগী মীফম অমা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংখি।

জম্মু ঃ জম্মু কাশ্মীরদা অহানবা ওইনা বিধান সভাদা নোমিনেট তৌবা মেম্বর ৫ না অনৌবা সরকার শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি। নোমিনেট তৌরিবা এম.এল.এশিং অসি কাশ্মারদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং অমসুং পাকিস্তান্না খুদুম চনশিনখ্রবা জম্মু কাশ্মীর (পি.ও.কে) মীয়ামগী মীহুৎশিংনি। মখোয়দা মীখলদা কারক্লবা মেম্বরশিংগা চপ মান্নবা শক্তি অমসুং খুদোংচাবশিং লৈগনি।

বিহার ঃ বিহারদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম হেন্না লুশিল্লে। দরভঙ্গা, ইষ্ট চম্পারন, খরারিয়া অমসুং মুজাফরপুর জিলাশিংদা ঈশিং চাউরিবা অদুদগী চেন্থোরকপা ঈশিংনা অনৌবা মফম কয়া থুমজিনখ্রে। রাজ্য অসিগী জিলা ১৮ দা মী লাখ ১৬ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি।

মৈ ঃ ভারত ফাওরগা নেপালদগী বঙ্গলাদেশতা মৈ মেগা ৱাট ৪০ য়োন্নবগী মতাংদা ভারত, নেপাল অমসুং বঙ্গলাদেশনা লৈবাক অহুমগী ওইবা য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে। নেপালনা বঙ্গলাদেশতা অহানবা ওইনা মৈ য়োনগদৌরিবা অদুগী য়ান্নচে অদু ঙরাং কাঠমন্দুদা সহি তৌনখিবনি।

------